হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, দিসেম্বর ০৫, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৪৬শুবা মশীং

# তমথীরবা লায়নাশিং মীপূম তিংনা খঙহন্নবা হোৎনহন্নীংই

ঙসিগী মীরোল খম থেংনা চাওখৎলে অমসুং মীরোলসিগী মীয়াম্না তৌবা ঙমদবা থবক অমত্তা লৈরক্তে হায়বা ফাওবা য়ারে। অদুবু মহৌশা লাইরেম্বীগী খোঙচৎশিং মীরোলসিনা লেপহনবা ঙমদবদৌনা মায়োক্নরকপা পুন্সি কোন্নবা তমথীরবা লায়না খরদি হৌজিক ফাওবদা অদুগুম্বা লায়নাদুনা নারক্তুনা শোকহল্লক্তনবা হোৎনবা, ঙাকথোকপা খক নত্তনা নারক্লবা মতমদা মরূ ফংনা মূথৎতুনা মাঙহনবা, পুংফ-ফহনবা ঙমদবা লায়নাশিং লৈরি। অসিগুম্বা মখলগী লায়নাশিংসি শুপ্নতগী অমা-অনীদসু নত্তে, য়াম্মী। অদুগী লায়নাশিং অদুগী মনুংদগী অমখক লৌখৎতুনা পনবা য়াবদা 'হ্যুমেন ইম্মুনো ভাইরস' (ঐচ আই ভি) না থোকহনবা 'একুয়্যর ইম্মুনো দিফিসিএন্সি সিন্দ্রোম' (এইদস) নি। হৌখিবা দিসেম্বর ১, ২০২২দা মমাঙগী চহীশিংদা পাঙথোরকখিবগুম ইম্ফালদসু 'ৱর্ল্ড এইদস দে' গী থৌরম পাঙথোকখি। লায়না অসি করিনো? করিদগী নাহল্লকপনো? মতৌ করম্না নাহল্লক্তনবা ঙাকথোক্কদগে? লায়নাসিগা শাগোন্নদুনা হিংলিবা মীওইশিংগা করম্না লোয়নগদগে? করি করম্বা চেকশিন-থৌরাংশিং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা মখা তানা অমুক্কসু এৱেয়্যেরনেস পীখি। লায়নাসিগী মতাংদা মীয়াম অমসুং মরী লৈনবা মীওইশিংবু ৱাখল তাহন্নবা মথৌ তাবা থৌরাংশিংসু পাঙথোকখি। পাঙথোকখ্রিবা পূম্নমক্তু তৌফম থোকপদগী তৌখ্রিবা ঙাক্তনি। মরমদি ঙসিগী মীরোলসিনা ঐচ আই ভি/এইদস মরূ ফংনা মূথৎপা ঙম্বা হীদাক্কী মপু ওইজবা ঙমদ্রি। মরম অসিনা অকক্লবা লায়নাসিগী মতাংদা মালেমগী থাক্তা অখন্নবা নুমিৎ অমা ফাওবা থমদুনা থৌরমসি পাঙথোরক্লিবনি। লায়নাসি নারক্তনবা ঙাকথোকপা, নারক্লগা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিং নত্তনা মূথৎপা ঙমদ্রিবনি। মসিনা চহী খরগী মমাঙদগী লিশাং শিংনা লৈরক্লবা লায়নাসিগী ৱানি। অসিগুম্বশিং অসিগী মথক্তা মতম মতমগী ওইনা থোরকপা তমথীরবা অতৈ লায়নাশিংসু লৈরি। মসিগুম্বশিং অসিগী মনুংদা হৌজিক মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক অসিসু পনবা য়াই।

পূম্নমকসি ওইরগদি চহী য়ামশিল্লক্লগা শিরগদবা, খূৎশেমগী পান্থে অমত্তনা পুন্সি শাংদোকহনবসু ঙমদ্রিবা, শিরগা অমুক হল্লকহনবসু ঙম্লরোইদবা মীওইবনা হিংলিঙৈদা মায়োক্নরক্কদবা লায়নাশিং মরূ ওইনা পুন্সি কোন্নহনবা ঙম্বা লায়নাশিংগী মতাংদা থেংনরক্লবা মতমদতা পূক্নিং চঙশিল্লকপা নত্তনা লায়নাশিং অসিগী মতাংদা মীরোলসিগী মীয়াম পূম্নমক অমত্তা চিংখদনা ৱাখল তাহন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎফম থোক্তব্রা? মাঙজৌননা খঙবা ঙমদবা লায়নাশিংনা অমা ওইজখ্রগা হান্নদগী মায়োক্নরক্লিবা লায়নাশিংগী মতাংদদি খঙদ-উদবা মীওই অমত্তা লৈহন্দনবা হোৎনবনা চুমগনি খল্লি। মসি ওইরগদি হৌজিক্কী মীরোলনা তঙাইফদনা খঙদবা-উদবা য়াদ্রবনি হায়দুনা তম্নরিবা লাইরিক্কী সিলেবসশিংদা হাপচিনবা চুল্লোইদ্রা? মসিদা অরুবগীবু ওইরবসু অরাইবা লায়নাশিংগীবু ওইরবসু মাঙজৌননা ৱাখল লৌশিং ওইননবা হোৎনবা চুমগনি হায়নীংই। মরমদি হৌজিক্কী মতমদা মীওইবগী থৱায়-হকচাং য়াওদনা অতৈ পূম্নমক করি কান্নখিগদগে? মসিদগী হেন্না মমল য়াম্বা অতোপ্পা করি লৈখিগদগে? পুন্সি অমসুং থৱায়গা হকথেংননা মরী লৈনরকপনা মসিবুসু মীরাইবা চুমদে হায়নীংই। পায়খৎতে, পাঙথোক্তে অমসুং তৌদে হায়ববুদি নত্তে। তৌই, অদুবু মতম মতমদুদতা তৌবদৌনা তৌই হায়বনি। মরম অসিনা পুন্সি মাঙহনবা ঙম্বা লায়নাশিংগীদি মাঙজৌননা নোলেজ লৈহৌবা কান্নগনি। থবকসিনা হৌজিক ফাওবদা মপূং ফানা মূথৎপা ঙমদ্রিবা লায়না খরসিদা মৈরাম্বীনা মৈরিদা চোঙশিনবগুম্না হৌজিক ফাওবদা থোকহল্লক্লিবা অসিগী মশিংদগী খরদা ওইরবসু হন্থহনবা ঙমগনি খল্লি। অদুবু থবকসিদি হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র লোয়শঙ, শাথীবা লায়নাশিংগী মনুংদা য়াওরিবা লায়না খরগীদমক তোঙান্না হাংদোক্তুনা মথৌ তৌহল্লক্লিবা য়ুনিট/লোয়শঙশিংনা অরাংফম ওইদুনা শেম-শারক্লগা লৈঙাক্না থবক্তা ওন্থোরক্কদবনি। মীওইবগী পুন্সিদা অনৌ-অনৌবা মায়োক্নরকপা লায়নাশিংগীসু মতম চানা চানা মীয়ামদা খঙহনসি। পুন্সি মাঙখিদনবা হোৎনসি। অদুগা অরুবা লায়নাশিংগী মতাংদনা তঙাইফদবা অমা (মেন্দেটরি) ওইনা মীপূম তিংনা খঙহন্নবগী থবক লৌখৎসি হায়বনি। সিলেবসতা হাপত্রবসু মীয়ামদবু খঙহন্নবা অতোপ্পা পান্থে লৈরবসু পায়খৎলু। তৌবতবু মীয়ামগী পুন্সিদি মাঙহল্লগুমসি হায়বনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৫

১) **"অঙাঙবা লৈগী অঙৌবা মচু"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) **"বাস্করবিলে সাগৈগী শাদানহুই"** (২০০১) হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **"চেক্লা মাদি খঙলম্মী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"ওঁ বাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)"** হায়বসি কনানা ইবনো?

৫) **"নিংঙাইদনা য়াতারিবশিং/মোংফমথকসিদা--,/হৌগৎলো নুংশিরবা মরুপশা!/ঐখোয়সু মপূং ফারে,/অহিংবশিংদা লান হৌরসে।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# কাঙলোন চুম্না ফৌ লীবা

**- এস সুমঙ্গল -**

কুমসি চহীসি নোং লিক্লা চুবনা মরম ওইরগা ফৌ নিংথিনা লোক্তবনা অয়াম্বা ওইনা তৌরে হায়বা তাই। হৌজিক অমুক লোক্লবা মতুংদা কোত্তা মাঙবা কয়াদগী কন্নবা হোৎনরসি। লোক্নরিবা ফৌ খরা অদুদি কাঙলোন চুম্না লীদুনা অমুক মাঙখিদনবা হোৎনবা তঙাইফদে খল্লি। মরম অসিনা ফৌ লোকপদগী হৌদুনা মতম খরা শাংনা লীবদা অমাং অতা থোক্তনবা ৱাফম খরা খঙজিনমীন্নবা তাঞ্জা লৌজরি।

**ফৌ লীবদা মাঙবগী মওং :-** তশেংনা হায়রবদা চহী অমদা কোত্তা লীদুনা থম্বা ফৌ-চেঙদা লায়না তীলনা কয়া অমনা মাঙহনবগী চাং অসি য়াম্না ৱাংই, ১৫-২০%। হায়বদি ফৌবোট ১০০ লীবদা ফৌবোৎ ১৫-২০ মাঙবা য়াই হায়বনি। হায়রিবা মাঙবগী চাং অসি কনানসু থৌশাদবগুম তৌই। মরমদি মাঙলিবা শরুক অদু তশেংনা ওন্দুনা য়েংদবা, ফৌজুম্না চাদনা কয়া য়াম্নবু মাঙগদগে হায়দুনা থৌশাদবা অসিনচিংবা কয়াদগীনি হায়বা য়াই। কনানসু অসুক য়াম্না মাঙলমগনি হায়বসি থাজদে।

মতাং অসিদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম অমনা, লায়না-তীলনানা মাঙহনবদগী উচিনা মাঙহনবনা অমুকসু শরুক কয়া অমা হেল্লি হায়বসিনি। নোংমদা উচি অমনা ফৌ নৎত্রগা অতৈ মরূ মরাং কিলো ৬ তুপথোক্তুনা চাথোকপা ঙম্মী।

কোত্তা লীদুনা থম্বা ফৌ মাঙই হায়বগী ময়েক লারবা খুদমদি - কোৎতা পৈরিবা ফৌগী ময়েং তারকপা, কোত্তগী ফৌদিগী ওইনা পেক্তুনা য়েংবা মতমদা অয়াম্বনা ফৌহাম ওইরম্বা, কোত্তা লীবা ফৌ মিলদা তকপদা চেঙ তোইবা, চেঙগী মচু ওনবা, খোকনম নম্বা অমদি হান্না নৌরিঙৈগী মতমদা থোল্লম্বা চেঙথোক্তগী চেঙথোক হন্থরকপা অসিনচিংবা অসিনি হায়বা তাই। মণিপুরগী ওইনা হায়রবদা অপূনবা লোক্লিবা ফৌগী চাংদা ১৫-২০ মাঙখ্রবদি কয়াদা মাঙজবনো? ফৌ চেঙ মাঙবতা নত্তনা হকচাং মাঙনীংঙাই ওইবা কয়া অমসু অমুক লৈরিবনি। মসিগী খুদম অমা হায়বা তারগদি মচু ওল্লবা হায়বদি নাপু নৎত্রগা ঙাংলৈনবা মচু ওল্লবা চেঙদা carcinogenic হায়বদি কেন্সর ওইরক্লবা মচাক য়াওই হায়বা অমসু লৈ হায়বসিনি। মরমশিং অসি লৈবনা করম্না কোত্তা ফৌ লীগদগে হায়বগী মরমদা চেকশিন ৱা খরা খঙজিনবা কান্নগনি খল্লি :

**করম্না লায়না তীলনা চঙলকই :** করম্না কোত্তা পৈরিবা ফৌশিংদা লায়না তীলনানা থোকহল্লিবনো হায়বদু খরা খঙজিনবা কান্নগনি খল্লি।

১) ফৌদা নত্তনা অতৈ মরূ-মরাং, আলু, হৱাই-চেঙৱাই কয়া অসিনা লৌবুক্তা লৈরিঙৈ মতমদগী তীলশিংগী মরূম অমদি তীল য়াওরবা মহুমশিং য়াওরক্তুনা লীরবা মতমদা অমাঙ অতা কয়া থোকহল্লি।

২) মহৈ মরোংশিং লোকপদা শীজিন্নবা খূৎশু খূৎলায় অমদি বোড়ানচিংবদা পল্লকপা লায়না তীলনাদগী শন্দোরকপা য়াওই।

৩) মমাঙ চহীদগী হান্না কোত্তা লৈরম্বা লায়না তীলনাগী মরূম অমদি মচানচিংবদগী শন্দোরকপা, অমসুং

(৪) লীরবা মতুংদা অকোয়বদা লৈরম্বা তীল মপী, কোকফাই শুজাগী মরূদগী শন্দোরকপা অসিনি হায়বা য়াই।

লায়না তীলনা শন্দোরকপগী মরমশিং অসি খঙলবদি করম্না চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎকনি হায়বদু খরা মখৈদি খঙবা য়ারে।

**কোৎ শাবা :** কোত্তা লীবা মতমদা চেকশিন থৌরাং খরা মওং চুম্না হোৎনহৌরবদি অমাঙ অতা থোক্কদবা কয়া অমদগী কনবা ঙমগনি। কোৎ অসি য়ূমদগী লাপথোক্লা, নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংবা মফমদা, মখোঙগী শরুক্লা লৈমায়দগী য়ামদ্রবদা ফুট মরিমুক ৱাংবা ওইহল্লগা মদুগী মথক্তা ফম্পাক শারবা অদুগা ফম্পাক্কী অকোয়বা অদুনা কোৎকী কাগী অকোয়বা অদুদগী ইকোয় কোয়না ফুট ১.৫-২গী চাংদা হেন্দোক্লা থল্লবা মতুংদা ফৌ থম্নবা কা অদু শাবনা খ্বাইদগী ফৈ। কোৎকী থোঙ-থোঙনাও নিংথিনা ফাৎকনি। য়ারিবমখৈ য়ূম মনুংদা কোৎ শাদবনা ফৈ। অহাঙবা লম য়েংদুনা উ-ৱাগা শম্নদবা হায়বদি উ-ৱাগী মনা অমদি মসা-মরেংনা লাম্বা ফংলোইদবা মফমদা কোট শারবদি খ্বাইদগী ফরে। কোৎতা কাথোক কাশিন তৌননবা কৈরাক নৎত্রগা শীরি অদু থাংদোক থাংজিন য়াবা মওংদা শাবীগনি। ফম্পাক হাহৌদ্রগনা কোৎকী মখোঙশিং অদু উচি কাবা ঙমদনবা করিগুম্বা পোৎলম, খুদম ওইনা এলুমিনিয়ম মপাক্লম্বা অমনা মখাদা ওন্থবা মওংদা শারৈ শানা কোশিল্লবদি উচিনা কাবা ঙম্লোই।

**চেকশিন ৱা খরা :** ফৌ হাপতোক হাপচিন তৌগদবা বোড়াশিং অহনবা (অনৌবা) ওইনা শীজিন্নবা নৎত্রগা malathion হায়রিবা হীদাক অসিগী চাদা ৫০ মপাঙ্গল লৈবা মহি ওইনা লাকপদু খল্লগা মিলিলিটর ২৫ ঈশিং লিটর ৫গী চাংদা য়াল্লগা বোড়াশিং অদু মিনট ১০ লুপ্পগা কংহল্লবা মতুংদা শীজিন্নবা ফৈ। অরিবা কোত্তা হান্না লৈরম্বা অরিবা ফৌশিং শেংনা লৌথোক্তুনা তোঙান্না থম্বীগনি। কোৎকী ফক্লাংশিং অমোৎ অকায়, ফত্ত-হৌদি শেংনা শেংদোক্লবা অমদি অহো-অরাক খুদিংমক মেল্লবা মতুংদা ষষ্ঠি লৈঙোইনা ৱাই নিংথিনা তৈথোকপা কান্নগনি। কোৎকী মনুং-মপান অনীমক শুনু হাইদোকপা য়াম্না ফৈ। কোৎকী মনুং অমদি অকোয়বদা malathion 50% নৎত্রগা dichlorvos 76%wsc mili25 ঈশিং লিটর ৫গী চাংদা য়াল্লগা কাপথোকপীগনি। কোৎতা ফৌ হৈজিল্লমদাইদা কংনা ফৌবা হায়বসিসু য়াম্না মরু ওই। মরূ - মরাং লীবদা খ্বাইদগী মরু ওইবসি ঈনিল অমসুং মৈশা অনী অসিনি। কংনা ফৌবা অমসুং অঙৈংবা মফম হায়বসি কুইনা লীবগী য়াম্না মরু ওইবা অমনি হায়বনি। য়াম্না কংলবা ফৌদা লায়না তীলনা চংবা পাক ঙমদে। কৈদৌনুংদা অরিবগা অনৌবগা য়ান্নরোইদবনি। ফৌ হৈবা মতমদা উরুমদা নিংথিনা কংহল্লবা নোংবাল্লে মনা খরা খরা মরোল নাইনা চাইথোক্লগা ফৌ মরোল মরোল হৈজিনবা কান্নগনি। করিগুম্বদা কোৎতা লীখ্রবা মতুংদা ফৌজুম লৈবগী খুদম ফংলবদি ফৌশিংদু বোড়ানা শিন্থুংনা কুপশিল্লগা কোৎকী ফক্লাং অমদি বোড়া মথক্তা মনিল ওইনা চৎপা পম্প শীজিন্নদুনা dichlorvos হায়রিবা মথক্তা থমজখ্রিবা হীদাক অসি বোড়া মথক্তা পঞ্জখিবা চাংদা কাপথোকপা ফৈ। হায়রিবা থৌওং অসি অনীরক/অহুম্লক পাঙথোকপা য়াই। মসি ফৌজুম মপি খরা হেক উরকপগা পাঙথোকপীগনি। অতোপ্পা শীজিন্নবা য়াবা খরগা পঞ্জরবা তারগদি উরিকশিবী মনা, নীম মনা, শৈজরাক মনা, খোইজু লৈখাম, হৈখাগোক মনা, তুলশি মনা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

মথক্তা থমজরিবা ৱাফম খরা অসি নিংথিনা পাঙথোল্লবদি কোৎতা লীদুনা থল্লিবা ফৌশিং মাঙই খঙদনা মাঙলিবশিং অসিদগী ফনা য়াম্না কন্দুনা মীয়ামগী কান্নবা ওইগনি লোয়ননা শেন্দোংসু লৈগনি খল্লি। ●

# কংকুপ (Wolffia) পীজদুনা শেল চংদবা মওংদা ঙা য়োকপা

**— ডাঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ —**



ৱাটর মিল হায়না খঙনবা কংকুপ মখল অসি দকৱীদ মখলশিংগী মনুংদা অমনি। Wolffia গী মখলশিংবু ৱাটর মিল হায়না খঙনৈ। হায়রিবা পান্থী মখল অসি মপাল শাৎপা পান্থীশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী পীকপা পান্থী মখল অমনি। মালেমগী মফম অয়াম্বদা ফংবা পান্থী মখল অসি ঈশিংগী মথক থংবা শরুক্তা তাওদুনা হৌই। মরু ওইনা তুংদুনা লৈবা ঈশিং খুদম ওইনা হায়রবদা পুখ্রি, পাৎ অমদি খোংবালনচিংবদা হৌই। হায়রিবা পান্থী অসি মসা, মরূ অমদি মনা পান্দে। পান্থী অসি য়েরূম মওং মাল্লি অদুগা মসা, মনানচিংবা খাইদোক্তবা মরম্না অয়াম্বা মতমদা ভেজিটেটিভ প্রোপেগেসনগী মতেংনা ধারা শন্দোকই। মরক মরক্তা লৈ শাৎলি। হায়রিবা পান্থী অসি নুমিৎ নীনিগী মনুংদা হায়বদি চাওরাক্লা পুং ৪৮গী মনুংদা হান্না লৈরল্লিবা অদুগী শরুক অনী পুথোকপা ঙম্মী। মরম অদুনা ঈশিংগী মথক থংবা শরুক অসি য়াম্না থুনা কুপশিনবা ঙম্মী। কংকুপ মখল অসি ঙাদা পীজবদা য়াম্না কান্নগনি। মরমদি পান্থীশিং অসিদা প্রোতিন চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওই। চাওরাক্লা চাদা ৩০দগী ৪০ ফাওবা য়াওই। ইসেন্সিএল এমাইনো এসিদসু মরাং কায়না য়াওই অমদি ময়াম্না য়াম্না পাম্নরিবা ওমেগা-৩ ফেটি এসিদসু ফজনা য়াওই। লাইশিন অমদি মেথিওনিনগী চাংসু অতোপ্পা পান্থীশিংদগী য়াম্না হেন্না য়াওবা মরম্না শা-ঙাশিংদা য়াওবা প্রোটিনগা য়াম্না মান্নে। অতেনবা মতমদা মচা য়াম্না পোকপা মরম্না য়াম্না থুনা অমদি য়াম্না পুথোকপা ঙম্মী। মসিদসু নত্তনা পান্থীদা য়াওবা এন্টি-ন্যুত্রিসনেল ভেল্যু য়াম্না নেম্মী। হায়রিবা কংকুপ অসিনা ঙা মচিঞ্জাক শেম্বদা প্রোতিনগী শরুক ওইগদৌরিবা ফিশ মিল নৎত্রগা নুংহৱাইগী মহুৎ শিন্দুনা ঙা মচিঞ্জাক্তা চঙগদৌবা শেল য়াম্না হন্থহনবা ঙম্মী।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ৱোলফিয়া হায়রিবা কংকুপ মখল অসি মণিপুরদা হান্নদগী মরাং কায়না ফংজবা কংকুপ মখল অমনি। তৌইগুম্বসুং মসিগী শীজিন্নফম থিজিল্লুদবনা কনামতনা মসিবু য়োকখৎলুনবা হোৎনরুদবনা হৌজিক্তি য়াম্না তাঙনা ফংই। হায়রিবা কং অসিদি য়াম্না পীকমনখিবনা য়েংবদা কং মান্দে হায়বদি ঈশংগুম্বা মাল্লি। খূৎনা পায়রগা য়েংবা মতমদসু লৈঙোইগুম্না মুরুম মুরুম ওইনা ফাওগনি। পান্থী মখল অসি পান্থী ওইনা উদবা মরম্না ঙা অয়াম্বনা পাম্না চাই। তৌইগুম্বসুং নাপীচাবা ঙাশিংনা হেন্না পাম্না চাই। মচল শুনা শেল্লবা মচিঞ্জাক পীজবনা কংকুপখক পীজবা ঙাদগী হেন্না থুনা চাওগনি অদুবু কংকুপ তঙ্খাই অদুগা মচল শুনা শেল্লবা মচিঞ্জাক তঙ্খাই য়ানশিন্নদুনা পীজরবদি মচল শুনা শেল্লবা মচিঞ্জাক ঙাক্তা পীজবগা থোইদোক্লা খেন্নরোই। তৌইগুম্বসুং মচল শুনা শেল্লবা মচিঞ্জাক অসিদি মমল য়াম্না ৱাংবা মরম্না কংকুপ পীজবনা হেন্না কান্নগনি। হায়রিবা কংকুপ অসি কংহল্লবা মতুংদা ঙাগী মচিঞ্জাক শেম্বা মতমদা দরকার ওইবা প্রোতিনগী চাং য়েংদুনা হাপ্পীবসু য়াই। কংকুপ মখল অসি য়াম্না থুনা শন্দোকপা ঙম্বা মরম্না পুখ্রি খরদা য়োকপীদুনা নোংমনা পুখ্রি অমদগী কোৎলগা ঙাদা পীজবা অদুগা নোংমনা অতোপ্পা পুখ্রি অমদগী কোৎলগা ঙাদা পীজবা য়াই।

ঙা য়োকপা মতমদা চঙবা শেলগী চাদা ৬০দগী ৭০দি ঙাগী মচিঞ্জাক্তা থাদগদবনি নৎত্রবদি ঐখোয়না পাল্লিবা ঙাগী পোথোক অদু ফংবা ঙম্লোই। অদুগীসু মথক্তা মণিপুরদা ঙা মচিঞ্জাক পুথোক্লবা ফিদ মিলসু লৈতবা মরম্না মপান লমগী মচিঞ্জাক্তা মীপান তাংবা তঙাইফদবা অমা ওইরি। তৌইগুম্বসুং শেল ইচং চঙদবা মওংদা কংকুপ য়োক্তুনা পীজবীরবদি ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদা নত্তনা ঙামীশিংগী শেন্দোংসু হেন্না লৈহন্দুনা নুংঙাই য়াইফবা খুন্নাই অমা পুরকপদা থৌদাং খরদা ওইরবসু লৌবা ঙমগনি।

মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা অমদি ৱোলফিয়া হায়রিবা কংকুপ মখল অসি ঙা খক্তা নত্তনা অতোপ্পা জীবশিং অমদি মীওইবগী য়াম্না ফবা চিঞ্জাক অমা ওইরক্কদৌরিবা পান্থী অমনি। মতম কয়াগী মমাঙদগী এসিয়াগী লৈবাক খরা খুদম ওইনা হায়রবদা লাওজ, থাইলেন্দ অমদি ম্যান্মারনচিংবদা অফবা চিঞ্জাক মখল অমা ওইনা চানরক্লি। মালেমগী চিঞ্জাক্কী দরকার ওইবা অসি চহী খুদিংগী অসুম অসুম হেনগৎলকপা অমদি শা চাবা য়ারক্তবা মীওইগী চাং অসুম অসুম হেনগৎলকপা মরম্না অতোপ্পা অফবা প্রোটিন হায়দুনা থিনরকপদা ৱেলফিয়া অসিনা খ্বাইদগী চান্নবা অমদি লায়না পুথোকপা য়াবা মরম্না মতম খরগী মতুংদা হায়রিবা কংকুপ মখল অসি য়োকপা অমদি মখল কয়াগী চান্নবা পোৎশক শেম্বদা শুংশোয় শোয়দনা য়াওরক্লগনি। মরমশিং অসি লৈবনা হায়রিবা কংকুপ অসি য়োকপীদুনা অচৌবা শেনফম কয়া তানবা য়াবা পান্থে অমা ওইরক্লগনি। ওইরকপা য়াবা অসি মাঙজৌননা খঙমিন্নদুনা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাই মীওই কয়াগী পূক্নিং চিংশিঞ্জদুনা লমদম অসিগী অচৌবা কান্নবা ফংননবা হোৎনমিন্নরসি। ●

**— এদিটরদা থারকপা চিঠি —**

## লৈঙাক্কী স্কুল নত্তবা লন্নাইগী স্কুলশিংদসু ফ্রী এদ্যুকেসন পীব্রা

**ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,**

হন্দক দিরেক্টোরেট ওফ মাইনোরিটি এফেয়রসনা থোরকপা চেরোল অমদা Class I to VIII, Pre-Matric Scholarship ককথৎলে হায়বা পাউ তাবদা অঙকপা ফাওই। RTE ACT 2009 গী মতুংইন্না হায়রিবা ক্লাসশিং অসি ফ্রী এদ্যুকেসন ফংদুনা লৈরবনা অমুক স্কোলরশিপ পীবগী মথৌ তাদ্রে হায়রিবা ৱাফম অসিদা খঙজনীংলিবদি লৈঙাক্কী স্কুল নত্তবা লন্নাইগী স্কুলশিংদসু ফ্রী এদ্যুকেসন পীব্রা হায়বসিনি।

স্কোলরশিপতি লন্নাই স্কুলগী মহৈরোয়শিংসু ফংলিবনি। লন্নাই স্কুলদা তমদুনা লৈবাক অসিগী শেমগৎ শাগৎপদা চাউনা শরুক য়ারিবা কাঙলূপ অমগী স্কিম অমা ককথৎপা হায়বসি পেন্দবা থৌওংনি। শেন্মীৎলোন্দতা নত্তনা হীরম খুদিংদা শোখহৌরবা মাইনোরিটি অঙাংশিংবু অফবা মহৈ মশীন তমজবদা মতেং ওইজরম্বা স্কিম অসিবু ককথৎপা হায়বসি শোখহৌরবা ফুরুপ কাঙলূপ অমবু খঙবী উবীদবনি হায়বদা লানগদ্রা? লৈঙাক্কী স্কুলশিংদগী পুথোকপা ঙমদবা কয়া লন্নাই স্কুলশিংনা পুথোক্তুনা লৈবাকসিগী এসেট ওইনরিবনি। লন্নাই স্কুলশিংবু তোখায়না য়েংবীবা, লন্নাই স্কুলগী অঙাংশিংদি ঐখোয়গী অঙাং নত্তবগুম য়েংবগী মওং মানবা থৌওং অসিমদি তশেংনা পেন্নীংঙাই নত্তে। অদুগীসু মথক্তা মতম লৈরিঙৈদা নোটিস থোকপীরকপা ওইরম্লবদি অতোপ্পা স্কিমশিংদা হোৎনরম্বা য়াবনি। মতম পুমলোই লোইরবা মতমদা নোটিস থোকপীরকপসিমসু শোয়রব্রা খঞ্জে। অদুগা লৈজখিদ্রবা মমা মপাশিংদগী স্কোলরশিপ অসিগীদমক required document শিং তাম্থোকপদা শেলসু তিংহনখ্রবনি। হৌজিক্তি নোটিস অসি সেন্টরনা থোরকপনি, ঐখোয়না কৈদৌনি, অশম্বা ৱানি। ঙম্লগা তম্লো ঙমদ্রগা লৈঙাক্কী স্কুলদা তম্বীরো, ফগেরা-ফরোইরা।

*অদোমগী - হাসনশনা এম এম, থৌবাল মোইজিং অৱাং লৈকায়*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।